# ‘ইন্দিয়াদা অন্দর-১৭কী ৱর্ল্ড কপকীদমক শেমগৎ-শাগৎলিবা অসি অপেনবা পোকই’

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭গী ফুটবোল ৱর্ল্ড কপকীদমক শেমগৎ-শাগৎলিবশিং য়েংশিনবা লাকখিবা ফিফাগী ইন্সপেক্সন টিম অপেনবা পোকখ্রে। অপেনবা পোক্লবসু মখোয়না শেমগৎকদবা ৱাৎলিবা ইন্টরনেশনেল ষ্টেন্দরগী অচৌবা ষ্টেদিয়ম তরুক্কী থবক্তি খরা ৱাৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।




ফিফাগী হেদ ওফ ইভেন্টকী জাইমা য়ার্জানা লুচিংদুনা লাকখিবা টিম অদুনা শেমগৎ-শাগৎকপা ৱাৎলিবা পূম্বা অথুবা মতমদা শেমগৎ-শাগৎহন্নবা মরী লৈনবশিংদা য়াথং পীবগা লোয়ননা চহীসিগী ওক্টোবরফাওবগী মনুংদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক লোইশিনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা শেমগৎ-শাগৎলিবা জৱহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম য়েংশিনবা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী মীফম অমদা জাইমানা অসুম্না ফোঙদোকখি, “ফিফাগী লাক্লিবা দেলিগেটকী টিম অসিনা ইন্দিয়াদা শেমগৎ-শাগৎলিবা অসিদা অপেনবা পোকই। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ), লোকেল ওগর্নাইজর অমসুং গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পাংথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক থবক ফজনা তৌই হায়না লৌই। হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা থাক অসিদা ফিফাগী মায়কৈদগী চাদা ৮০গী অপেনবা অদু পোকই।”

মহাক্না মখা তারদুনা, “অদুবু শান্নবুং তরুক্কী গ্রাউন্দ অমদি ষ্টেদিয়মগী মতাংদা শেমগৎ-শাগৎকদবা খরদি ৱাৎলি। ৱাৎলিবশিং অসিসু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ), লোকেল ওগর্নাইজর অমসুং গভর্নমেন্টকী মায়কৈদা অথুবা মতমদগী শেমগৎ-শাগৎনবা হায়খ্রে। হায়রিবা অৱাৎপশিং অসিনা চহীসিগী ওক্টোবর থাগী মনুংদা লোইশিনদুনা ৱর্ল্ড কপকী মেটচ শান্নবদা য়াবগী চাং অদু ওইহগদবনি।”

ফিফাগী টিম অসিনা ইন্দিয়াদা হৌখিবা ফ্রেব্রুৱারী ৪দা লাক্তুনা কোচি, গোৱা, মুম্বাই, গুৱাহাটি অমসুং কোকলাটাদা শেমগৎ-শাগৎলিবা পূম্বা হান্নানা য়েংখ্রবনি।

# জো বর্ন্স অমসুং ষ্টেব স্মিটনা ন্যু জিলেন্দগী মথক্তা খূৎ হল্লকখ্রে



খৃষ্টচর্চ, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

মফমসিদা চথরিবা ন্যু জিলেণ্ড অমসুং আষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী অহানবা ইনিংসগী নীনি চনবা নুমিৎতা আষ্ট্রেলিয়াগী স্কিপ্পর ষ্টেব স্মিট অমসুং ওপন্নর জো বর্ন্সকী সেঞ্চুরিনা ভিজিত্তর ওইরিবা ন্যু জিলেণ্ডগী মথক্তা খূৎ হল্লকখ্রে।

টোসতা মায়থিরবসু ন্যু জিলেণ্ডনা হান্না বেট্টিং তৌনবগী খুদোংচাবা অদু ফংখি। অদুবু খুদোংচাবা অসি ভিজিত্তর ওইরিবা ন্যু জিলেণ্ডগী মকোকথোংবা বেটচমেনশিংনা লৌবা ঙমখিদে। অদুবু ব্লেক কেপ অসিবু লুচিংলিবা ব্রেন্দম মেক্লমনা মাগী অরোইবা টেষ্ট মেটচ অসিদা টেষ্ট মেটচকী পুৱারীদা খ্বাইদগী থুবা সেঞ্চুরি য়ৈদুনা মখোয়গী শোকচিল্লুরবা ফীভম অদু কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অপুনবা রন মশীং ৩৭০ লৌবদা য়াম্না চাউনা থৌদাং লৌরমখি।

আষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইনিংসু খোঙহৌ ফবা অমা হায়বদুদি ওইখিদে। মখোয়গী অহানবা ৱিকেট ওইনা ওপন্নর দেবিদ ৱার্নর রন ১২ দা আউট ওইখি। মতমসিদা আষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা রন মশীং ২৫তমক ঙাইরি। মখোয়গী অনীশুবা ৱিকেটসু অপুনবগী রন মশীং ৬৭শুবা মতমদা আউট ওইখি। অদুবু অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চংলকখিবা আষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসিগী কেপ্টেনসু ওইরিবা ষ্টেব স্মিটনা জো বর্ন্সকা য়াম্না নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নমীন্নদুনা অহুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ্তা রন ২৮৯ লৌমিন্নখি।

নীনি চনবগী শান্নবা লোইবফাওবদা আষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৪ তুরগা অপূনবা রন ৩৬৩ লৌখ্রে। মসি ন্যু জিলেণ্ডগী শুপ্নগী রন ৭তমক শোথরবনি। হৌজিক হৌজিক ক্রিজতা আউট ওইদনা অদাম ভোগস অমসুং নঠান লিয়ন মথংশিংনা রন ২ অমসুং ৪ লৌদুনা লৈরি। ন্যু জিলেণ্ডগী ৱিকেট মরি অসি পেস বোল্লর টিম সাউটি অমসুং নৈল ৱাগনরনা অনী/অনী লৌমিন্নখিবনি।

## লিএন্দর পেস অমসুং জেরিমিগী জুরা মায়থীহৌরে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

দোল্লর ১৫৪,০৬৫ কী শেলগী মনা ওইবা দেলরে বিচ ওপনদা ইন্দো-ফ্রেন্সকী জুরা লিএন্দর পেস অমসুং জেরিমি চার্দি মেন’স দবলসকী সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

আউদোর হার্ট কোর্টতা শান্নখিবা মেন’স দবলসকী সেমী ফাইনেল অদুদা ইন্দো-ফ্রেন্সকী জুরা অসিবু দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বোব অমসুং মাইক ব্রেনগী জুরানা মায়থীবা পীরমখিবনি। শুপ্নগী মিনিট ৫৫ খক্তা চঙনা শান্নখিবা দবলসকী সেমী ফাইনেল অদুদা ইন্দো-ফ্রেন্সকী জুরাবু মায়থীবা পীখিবনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বোব অমসুং মাইক ব্রেনগী জুরানা লিএন্দর পেস অমসুং জেরিমি চার্দিগী জুরাবু ৬-২, ৬-৩ দা য়াম্না লাকচনবা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

টোপ সীদ অসিনা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়ন অমসুং ফ্রেন্সকী জুরা ওলিভর মারাস অমসুং ফ্রেবিচ মার্টিনগী জুরাগা থেংনরগনি।

## ভুপতিগী জুরানা দেল্লি ওপন দবলসকী টাইটল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

মতম শাংনা শোকপদগী লৈরুরবা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা টেনিস শান্নরোয় মহেশ ভুপতি কম্পিটিটিভ টেনিসতা অমুক হল্লক্তুনা চহী ৩ গী মতুংদা অহানবা ওইনা দেল্লি ওপন দবলসকী টাইটল লৌখ্রে।

দেল্লি ওপন দবলসতা মহেশ ভুপতিনা যুকি ভামব্রিগা জুরা ওইদুনা ওপোনেন্টশিংবু মায়থীবা পীরল্লগা টাইটল লৌখিবনি। ভুপতি অমসুং ভামব্রিগী জুরানা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সাকেট মাইনেনি অমসুং সনম সিংহগী জুরাবু ৬-৩, ৪-৬, ১০-৫ তা মায়থীবা পীদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা দেল্লি ওপন দবলসকী টাইটল লৌখিবনি।

## লেনিন মায় পাকখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

ত্রাইথালোন এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী টেক্নিকেল ওফিসিএল ওইরিবা এল লেনিন হন্দক্তা গুৱাহাটিদা ফেবুৱারি ১০ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা লেভেল ৱান টেক্নিকেল ওফিসিএল কোর্সতা শরুক য়াখিবদা মায় পাক্তুনা মণিপুরগী অহানবা লেভেল ৱান কোর্সকী সার্টিফিকেট পায়রবা টেক্নিকেল ওফিসিএল ওইখ্রে।

হৌজিক হৌজিক মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা এ এস আই ওইনা থবক তৌরিবা এল লেনিন শিলোংদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ তসু শরুক য়াখি। কোর্স অসিদা মায় পাক্লকপদা ত্রাইথালোন এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# পল্লো ক্বাভসনা রফেল নদালগী ১০০ শুবা এ টি পিগী ফাইনেলগী লম্বী থৎখ্রে



রিও দে জেনরিও, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

ৱর্ল্ড নম্বর ফাইব রফেল নদাল এ টি পি রিও ওপনগী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরে। মফমসিদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেগী মেতচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৪৫দা লৈরিবা উরুগেগী পল্লো ক্বাভসনা ৬-৭(৬/৮), ৭-৬(৭/৩), ৬-৪দা মায়থিবা পীরম্বনি। হায়রিবা মেটচ অসি মায়থীখিবনা মরম ওইরগা মশাগী চহী ২৯ শুরবা রফেল নদালগী ১০০শুবা এ টি পিগী ফাইনেলগী মঙলানগী লম্বী অদু মতম খরগা অমুক য়ৈথোকপদা তাখ্রে।

পুং ৩গা মিনট ২৮ চংনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী মেচট অসিগী অহানবা সেটতা মিনট ৭৭ চংনা শান্নদুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চীংশিনখি। অহানবা সেট অসিদা রফেল নদালনা মায় পাকচরবসু সেট অসিগী টাই ব্রেক্তা রফেল নদালনা ফাউল খরা শান্নখি।

সেমি ফাইনেলসিদা মায় পাক্লবা ক্বাভসনা ৱর্ল্ড নম্বর ৭১শুবদা লৈরিবা আর্জেন্তিনাগী গুইদো পেল্লাগা শান্নরগনি। গুইদে পেল্লানা মাগী সেমি ফাইনেলগী মেটচা ৱল্ড নম্বর ফাইব ওইরিবা অষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থৈম্বু য়াম্না লাকচনা ৬-১, ৬০৪দা মায়থীবা পীরম্বনি।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 19th February, 2016

**No. Ex/143/85:** In connection with the High School Leaving Certificate Examination, 2016, the Directorate of Education (S), Govt. of Manipur, vide its letter No. 17/4/2013-DE(S)(1) dated 06/02/2016 has nominated the following teachers to act as Micro-Observers.

| SL. NO. | NAME OF THE TEACHER | NAME OF THE SCHOOL |
|---|---|---|
| 1 | P.T. ROPAO JOEL | KOTOMAL KATOMAL PART II PRIMARY SCHOOL |
| 2 | ATHIA T. KOLAKHE | PARENGBA P/S |
| 3 | A. RAKUZIIWO LUCKYSON | THANGJING CHIRU P/S |
| 4 | L.D. JOSIP | KRECHE-E P/S |
| 5 | P.D. THONII | TAKAIMEI P/S |
| 6 | KHANWUNGPAM HORAM | CHADONG TANGKHUL P./S |
| 7 | N.S. KEVIN | TONGOU JR. H/S |
| 8 | NINGTAM SANGKAR | SAHAMPHUNG P/S |
| 9 | R.A. WUNGNAOYO | KHAIVAREN P/S |
| 10 | RAMHORLAA SHARON | PHUNGCHONG P/S |
| 11 | DAINGAMPOU KAMEI | NEW WAIRENGBA P/S |
| 12 | IJIUCHAMAI D. ABANGLIU | MAGULONG H/S |
| 13 | K. BENJAMIN | BOLONGDAL GAIBONDAI UPS |
| 14 | KHONGNGMPOU MALANGMEI | DUITHAN JANG P/S |
| 15 | S. NICODIM MONSANG | MANTRIPANTHA P/S |
| 16 | ST. NIWAR | THANGKIM P/S CHANDEL |
| 17 | NG. FADIA MOYON | DANGKHU P/S |
| 18 | THANGKHOLAL HAOKIP | MOREH P/S (WARD NO..7) |
| 19 | THONGAM SUNRENDRAJIT SINGH | CHANDRANATHUR LOWER P/S |
| 20 | GOUMINLIEN | SUAHZAHAU P/S |
| 21 | SOLOMON L. JOUTE | THIWA KHUNOU P/S |
| 22 | LH. THEMNEIKIM KHONGSAI | TENGKONBUNG P/S |
| 23 | WAIKHOM DEBEN SINGH | WABAGAI TERAURAK H/S |
| 24 | CHANDAM OKENJIT SINGH | JORDANPHAI P/S |
| 25 | KHUMMINTHANG SITLHOU | IRONG NGOUBIKHONG P/S |
| 26 | HENLERMOI LUPHENG | JORDANPHAI P/S |
| 27 | KAMTHANG HAOKIP | SONGPEJANG P/S |
| 28 | MANLAL MUAN | SONGPEJANG P/S |
| 29 | SEITINTHANG HAOKIP | C. LAMJANG P/S |
| 30 | W. RANGSAN KOIRENG | CHALBUNG UPS |
| 31 | WUNGNAONGAM A SHATSANG | WANGLEE P/S |
| 32 | MEIKIANJINANG PAMEI | LUANGJAM P/S |
| 33 | HEROD WAIKHOM | HEINGANG AWANG LEIKAI P/S |
| 34 | L. IWANGBA | SANASABI P/S |
| 35 | N. LAMNGANBA MEETEI | PANGEI UPS |
| 36 | IROM PREMJIT MEETEI | ANGOM LAWAI UPS |
| 37 | SANARIK THOUNAOJAM | YOURABUNG P/S |
| 38 | PAMEI ALFRED | KHONGNEM ORIGINAL UPS |
| 39 | LAISHRAM PREMKUMAR SINGH | ITHING(HEIKOL) P/S |
| 40 | LAISHRAM OJITKUMAR SINGH | OINAM MAKHA P/S |
| 41 | SALAM BINODKUMAR SINGH | KHONG ASHANGBI P/S |
| 42 | LEITANTHEM DHITTA SINGH | JOYPUR KHUNOU UPS |
| 43 | ISWARCHANDRA TAOREM | LEIMARAM P/S |
| 44 | SHORAISHAM DINESH SINGH | OINAM HINDU P/S |
| 45 | LAISHRAM DIJAMANI SINGH | CHINGYAPAT CHANDONPIKPI P/S |
| 46 | L. KIRANKUMAR SINGH | LUWANGSHANGBAM UPS |
| 47 | NINGTHOUJAM SAMANANDA SINGH | NALONG P/S |
| 48 | TONGBRAM RADHABINOD SINGH | KHONGKHAM NEW P/S |
| 49 | SAPAM GUNITA DEVI | TERAKHONG AHANBI P/S |
| 50 | ELANGBAM KENNEDY MEITEI | NAGACHING-3 P/S |
| 51 | ARAMBAM BIMOLJIT SINGH | UNAMPON P/S |
| 52 | NAOREM SHYAM SINGH | SINGHIURAM KK KAHIBA=-2 P/S |
| 53 | A. BABUCHAND MEETEI | SAGOLPAT UYUMPOK P/S |
| 54 | HANJABAM SADANANDA SHARMA | UKHONGSHANG UPS |
| 55 | ATHOKPAM BANI MEITEI | KHANGABOK CHERAPUR UPS |
| 56 | IRENGBAM HARIDAS SINGH | SAMARAM GIRLS LPS |
| 57 | NG ASHMANDHANRA | NAHARUP NEW P/S |
| 58 | MOIRANGTHEM SHANTIBALA DEVI | YAMBEM UPS |
| 59 | NINGTHOUJAM NEPOLEON SINGH | NINGTHOUNAI CHINGYA LEIKAI P/S |
| 60 | KH. BOLENDRO SINGH | SINGA BISHNUNAHA UPS |
| 61 | WAIKHOM SAMSON SINGH | NEPRA COMPANY JR.H/S |
| 62 | SAGOLSHEM HEROJIT SINGH | LANGATHEL P/S |
| 63 | ELANGBAM SOMEN SINGH | LAPHUPAT TERA UPS |
| 64 | RAJKUMAR KHELEN SINGH | LAPHUPAT TERA UPS |
| 65 | NINGTHOUJAM SANJITKUMAR SINGH | WABAGAI AWANG LEIKAI P/S |
| 66 | LOUREMBAM SANDHYARANI DEVI | KHANGABOK CHERAPUR UPS |
| 67 | SANJIBREDDY HUIRONGBAM | KYAMGEI UPS |
| 68 | HEIKRUJAM THOIHEN MEITEI | UYUMPOK NUNGSHUM P/S |
| 69 | NONGTHOMBAM RUSSEL | KANGYAMBEM UPS |
| 70 | THINGUJAM JAYENTA SINGH | HAPPY VALLEY P/S |
| 71 | BOBICHAND YUMNAM | KHABAM P/S |
| 72 | M. KHOGENDRO SINGH | PATSOI KHUNOU UPS |
| 73 | LONGJAM SUSHILKUMAR | PRAJA UPS |

A meeting of the Micro-Observers will be held on 25-02-2016 at 11 a.m. at the premises of the Board of Secondary Education, Manipur.

Hence, all the teachers are requested to attend the meeting along with a recent passport size photograph on time without fail.

**Sd/- Dr. Chingangbam Sarat**
Secretary

HL-P/7625/22

# সবিনা সরিপোভানা আই টি এফ ৱিমেন টেনিসকী টাইটল লৌখ্রে




ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

মফম অসিদা লৈবা দি এল টি এ কমপ্লেক্সতা ঙরাং লোইশিনখিবা আই টি এফ ৱিমেন টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সবিনা সরিপোভানা সর্বিয়াগী নিনা ষ্টোজানোভিকপু ৩-৬, ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

দোল্লর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা ওইরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা চহী ১৯ শুরবী নিনা ষ্টোজানোভিক্না অঙনবা মতমদা মাঙজিল থানা শান্নরম্লবা মতুং চহী ২১ শুরবী উজবেকিষ্টানগী সবিনা সরিপোভানা তপ্না তপ্না লাকশিল্লক্তুনা মেচ অদুবু মায় পাকখি। টাইটল লৌখ্রবা সবিনা সরিপোভানা দব্লিয়ু টি এগী পোইন্ট ২৭ ফংবসু ঙকখ্রে।

# অরিবম অমুতোম্বী মেমোরিএল কলর দ্রেস ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা শিন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল অরিবম অমুতোম্বী শর্ম্ম মেমোরিএল কলর দ্রেস ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ হয়েংদগী চথবা হৌরগনি।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়ারি। শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা মোদেল ক্লব টিম বি চীংঙামখা, চেম্প খাগেম্পল্লি, সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ভেটরান ক্রিকেট ক্লবনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি মোদেল ক্লব টিম এ, দি এস য়ু, নবসা অমসুং ক্রাও খন্নাম বজারনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহৌবা মেচতা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা অমসুং নবসা খা ইম্ফাল অনীনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ মার্চ ৫ দা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# টাইক্বান্দো শান্নরোয় ইরোম খোগেন অমসুং আর কে গুনধজ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ ঃ

হন্দক্তা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ৩৫ শুবা নেসনেল টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ইরোম খোগেন অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা আর কে গুনধজ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল লৈশাংথেমদা লৈবা ইমা লাইরেম্বী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিরা মেমোরিএল ক্লব (আই এম সি) লৈশাংথেম্না শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মেদল ফংলক্লবা শান্নরোয় অনী ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা হন্দক্তা সাহিত্যা একাদেমি ন্যু দেল্লিনা কুমজা ২০১৫ গী মণিপুরী লোলগী সাহিত্যা একাদেমিগী এৱার্দ পীরকখ্রবা থৌবাল লৈশাংথেমদগী ক্ষেত্রি রাজেনসু তরাম্না ওকখি।

সাহিত্যা একাদেমি ফংলকখ্রবা রাজেন অমসুং গোল্ড মেদলিষ্ট ইরোম খোগেন অমদি ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট আর কে গুনধজ ওকপগী থৌরম অদুদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ও লন্ধোনি, থৌদাম ওপেন্দ্রো, ডা. থৌদাম ওপেন্দ্রো, ডা. থৌদাম বিরেন অমসুং হৈক্রুজম প্রিয়োকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

শিল্লি লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী শরুক য়াইরবা মীওই অহুম অসিদা মোমেন্তো অমদি সোল পীদুনা তরাম্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা সাহিত্যা একাদেমি এৱার্দি ক্ষেত্রি রাজেন্না থৌরমদুগা মরী লৈননা মহাক্না ইবা শৈরেং কয়া পাদুনা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

**OFFICE OF THE REGISTRAR**
**MANIPUR STATE VETERINARY COUNCIL,**
**SANJENTHONG, IMPHAL**
**NOTICE**

Imphal, the 12th February, 2016

No. MSVC/31/2009-Vety : In continuation of this Office letter of even No. dated 4th January, 2016 regarding the development of common Software for online registration which was circulated to all the Registered Veterinary Practitioners of the State and its subsequent Notice of even no. dated 15th January, 2016 published in the 3 (three) leading local dailies and also as resolved in the Council meeting held on 11th February, 2016, I am to remind to the Veterinary Doctors registered in the Manipur State Veterinary Council who haven't furnished the required information in the prescribed format till date may kindly submit latest by 25th February, 2016 without fail.

Details may be available from the Office of the undersigned.

**Sd/- L. Arunkumar Singh**
Registrar,
Manipur State Veterinary Council,
Sanjenthong, Imphal.

HL-P/7641/22

**দরখাষ্ট কৌজরি / ꯗꯔꯈꯥꯁ꯭ꯠ ꯀꯧꯖꯔꯤ**

Regd. No. KPL/232/Com.Estd. of 2013
Government of Manipur

1. AIR TICKETING STAFF IN IMPHAL (MALE/FEMALE)
   Qualificatioin X-XII No. of Post 22, Salary : 8,000 - 12,000/-
2. TECHNICAL DEPT. AND MOBILE COMPANY STAFF IN IMPHAL
   Qualificatioin X-XII No. of Post 35, Salary : 8,000 - 10,000 +Incentive
3. MNIPUR POST VACANCY IN OFFICE STAFF MICRO FINANCE
   i) ATM Guard, Chowkidar, peon, Driver. Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
   ii) Office Boys, Security, Gunman Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
   iii) Reception, Attendent, Loan Recovery Qualy. X - XII Salary : 6,000 - 7,500/-
4. DATA ENTRY AND TELE CALLER IN IMPHAL
   Qualification X - XII No. of Post : 28 Salary : 12,000+Incentive.
5. AIRPORT VACANCY SELECTION IN IMPHAL
   Ground Staff, Cargo Driver, Loder, Flight Cleaner,
   Qualification : VIII - XII No. of post : 20 Salary : 14,000+Incentive.
6. BANKING STAFF FOR NATIONLISE BANK (Online exm in Imphal)
   Qulification : XII-Graduate. No. of Post : 35 Salary : 18,000-35,000/-
7. PASSPORT & VIS CONSULTANCY SERVICES ARE ALSO AVAILABLE

* ইশাগী অহাংবা মতমদা EXTRA-INCOME তান্নীংবা, Student, Housewife, Un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি Qualification : VIII - above.

Income : 10,000/- - 25,000/- per month
Interview Dt. 29.2.20161
Last Date : 27.2.2016
# 8131885255/9615120590

Sd/-
Bright Community Centre
Whengbam Leikai, Near
Bheigo Hotel Leirak Machin

HL-P/7460/17,18,19,20,21,22,24,25,26